অনীশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি

পি টি সী সীনা পি টি আর সী অদুগা শেদো থাংমৈবন্দনা পি সী সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অনীরকশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পি টি সী সীনা পি টি আর সী পাৎসোই অদুগা শেদো থাংমৈবন্দনা পি সী সী ময়াইকোইবী মায়থীবা পীখ্রে।

কোংবা খুনৌ ধোবী লম্পাক্তা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা পি টি সী সী অমসুং পি টি আর সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা পি টি আর সীনা টোস ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা লাইশ্রম টেরেসা অমসুং কিরন লাইশ্রমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। ওপনর বেটসমেন কিরন লাইশ্রম বোল ৩১ মায়োক্নবদা রন ১৬ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং থোক্লকখিবা বেটসমেন লৌরেম্বম প্রেনা অমসুং অতোপ্পা ওপনর বেটসমেন টেরেসানা হৈনশিংনা শান্নদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। টেরেসানা বোল ৮৭ মায়োক্নবদা রন ১৭৪ লৌরমখি। অদুগা প্রেনানা বোল ৭৮ মায়োক্নবদা রন ১১৫ লৌরগা আউট ওইদনা লৈখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩৫ লোইবদা ৱিকেট ২ তুরগা পূন্না রন ৩৮০ লৌবা ঙমখি।

পি টি আর সীনা টার্গেট রন ৩৮১ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন অমত্তনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা মখল কয়াগী এটেকশিং মায়োক য়াদুনা ক্রিজতা মতম শাংনা খাঙদুনা লৈবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা বেটসমেন অমত্তনা রন ৫ য়ৌনা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২১.৫ শুরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৩৪ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পি টি সী সীনা য়াম্না লাকচনা রন ৩৪৬তা থোইখিবনি।

অমরোমদা, থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা শেদো অমসুং পি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী শেদোনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। শেদোনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা মঙাললৈবী সলাম অমসুং কেব্রিয়া সাপমনা ওপনর বেটসমেন ওইখি। মঙাললৈবী বোল ৯ মায়োক্নবদা শুপ্নতগী রন ২ খক্তমক লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুগা কেব্রিয়ানা বোল ২৫ মায়োক্নবদা রন ৩৩ লৌবা ঙমখি। টিম অসিগী ওইনা রন রেটকী চাং ফজদ্রবসু এক্সট্রা রন মশীং য়াম্না ফংখিবদগী ওভর ২৬.৫ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা পূন্না রন ১২১ লৌরমখি।

পি সী সীনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন কৈথেল্লাকপম কেত্রিনানা বোল ৬৯ মায়োক্নবদা রন ২০ লৌরমখিবা অদু নৎতনা লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা রন ১০ ফানা লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ২৬.৪ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৬ খক্তমক লৌবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু শেদোনা রন ২৫দা মায় পাকখিবনি।

পেরিস ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক নিলাকান্ত অমসুং রবিচন্দ্র খল্লক্লে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): পেরিস ওলিম্পিক্সকী মাংওইননা ইন্দিয়াগী মেন্স সিনিয়র হোক্কী টিমগী হৈ-শিংবা অমদি মপূং ফানা শেম শানবগীদমক হোক্কী ইন্দিয়ানা ঙরাং সিনিয়র মেন্স নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক মীওই ২৮গী মমিং লাউথোকপদা মণিপুরগী শংলাকপম নিলাকান্ত অমসুং রবিচন্দ্র মোইরাংথেম য়াওরক্লে।

কোচিং কেম্প অসি মথং থাগী ১৩ ফাওবা বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা পাঙথোক্কদবনি। হন্দক্তা ওস্ট্রেলিয়াদা পাঙথোকখিবা মেটচ ৫গী ওইবা টেষ্ট সেরিজ অমদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমনা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবা মতুং মখোয় কেম্পকীদমক অমুক হল্লকখিবনি। কেম্প অসি লোইরবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম অসিনা এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লীগ ২০২৩-২৪গী লেগ অনীগীদমক বেলজিয়ম অমসুং লন্দনদা চৎকনি। মসিদা ইন্দিয়ানা অর্জেন্টিনা, বেলজিয়ম, জর্মনি অমসুং গ্রেট বৃটেনগা লন্বা তৌনগনি।

নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক খনখ্রবা মরুওইবা মীওই ২৮ অদুদা গোলকীপরশিং কৃষন বহাদুর পাঠক, পি আর স্রিজেশ, সুরজ কর্কেরা; দিফেন্দরশিংদা হর্মনপ্রিট সিংহ, জর্মনপ্রিট সিংহ, অমিট রোহিদাস, জুগ্রাজ সিংহ, সঞ্জয়, সুমিট অমসুং অমির অলি য়াওরি। মিদফিল্ডরশিংদনা মনপ্রিট সিংহ, হার্দিক সিংহ, ভিভেক সাগর প্রসাদ, রবিচন্দ্র মোইরাংথেম, সমশের সিংহ, শংলাকপম নিলাকান্ত, রাজকুমার পাল, বিষ্ণুকান্ত সিংহ; ফোরৱার্দশিংদনা অকাশদিপ সিংহ, মন্দিপ সিংহ, ললিত কুমার উপধ্যায়, অভিশেক, দিলপ্রিট সিংহ, সুখজিৎ সিংহ, গুর্জন্ট সিংহ, মোহমদ রহিল মৌশিল, বোবি সিংহ ধানি অমসুং অরাইজিৎ সিংহ হুন্দাল য়াওরি।

অমরোমদা, কোচিং কেম্প অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমগী চীফ কোচ ক্রেইগ ফুল্টননা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেনিং কেম্প অসিনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংদা কান্নবা কয়া পীবা ঙমগনি। ঐখোয়না ঙল্লিবমখে ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরুওইবা টেক্নিক কয়া হায়রিবা কেম্প অসিদগী খঙবা ঙম্নবা হোৎনগনি। কেম্প অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিং হান্নদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ঙাক্তনি। হন্দক্কী ওস্ট্রেলিয়া টুর অদুনা ঐখোয়গী অশোয়বা অমদি অশোনবশিংসু খঙবা ঙল্লে। মরম অদুনা মখোয়শিং অদুবু মেনখৎপা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়খি।

৫রক শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ

ঈ এম ভি এফ সী অমসুং আই ভি এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): আর কে ফোর্চুন দিভলপ্পরনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা পিশুমদা লৈবা সী ৱাই এল সী গ্রাউন্দ (হাও গ্রাউন্দ)দা চথরিবা ৫রক শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ঈ এম ভি এফ সীনা এম য়ু এস এ অদুগা আই ভি এফ এনা এফ এল এ এম মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল ঈ এম ভি এফ সী অমসুং এম য়ু এস এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এম ভি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ২৭শুবা মিনটতা ঈ এম ভি এফ সীগী ৱাই ধনশ্যামনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা এম য়ু এস এনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী ঈ এম ভি এফ সীগী কে ঐচ শান্তজিৎনা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। অদুমওইনমক ঈ এম ভি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী অনীশুবা হাফতা মখা তানা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু ৪৭ অমসুং ৫৩ শুবা মিনটতা দল্লিয়ু শ্যামবাবু অমসুং ৱাই ধনশ্যামনা অমমম্ চনখিবনি। এম য়ু এস এগী ওইনদি মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ঈ এম ভি এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

নুংথিল পুং ২.৪০ তাবদগী হৌরগা আই ভি এফ এ অমসুং এফ এল এ এমগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদা এফ এল এ এমগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী ৪শুবা মিনটতা এফ এল এ এমগী এন জি নাওবীনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা আই ভি এফ এগী ওইনা পাঞ্জল চনবা ঙমদবদগী এফ এল এ এমনা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবদা আই ভি এফ এগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৪৮ শুবা মিনটতা আই ভি এফ এগী ৱাই ভিমোনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৫২শুবা মিনটতা আই ভি এফ এগী এস কেনেদিনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু মেটচ লোইবা ফাওবদা এফ এল এ এমগী ওইনা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী আই ভি এফ এনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।

আর কে ভোগেন্দ্রোনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): কাংবা চেছ একাদেমিনা শীন্দুনা নিংঙোমথোং বজার কম্যুনিটি হোলদা ঙরাং পাঙথোকখিবা কে সী এ ট্রোফি রেপিদ ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা ইদিসনগী ৱিন্নর আর কে ভোগেন্দ্রোনা ওইখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী লোইশিনবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা থোংজু পার্ট-১ গ্রাম পঞ্চায়টকী চ্যেরপর্সন থোংবম লাতানা অথোইবা মীথুংলেন, এন ৱাই ভি ওগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম খেলেননা অখন্নবা মীথুং অদুগা কাংবা চেছ একাদেমিগী ফাউন্দর কম প্রসিদেন্ট ওক্রম মংলেম মৈতৈনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না রাউন্দ ৬ লৈখি। টুর্নামেন্ট অদু চীফ অর্বিটর এ আই সী এফ, নেসনল অর্বিটর ঙাইরাংবম রতননা কন্দক্ট তৌখিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ রেটেদ শান্নরোয় ১৭ অমদি নুপী শান্নরোয় ১০ য়াওনা পূন্না শান্নরোয় ৪৪না শরুক য়াখি।

পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ৱিন্নর ওইখ্রবা আর কে ভোগেন্দ্রোদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২গী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা পোজিসনননা ঈ শশিকান্ত অদুগা অহুমশুবা পোজিসননা এম মোধুসুদোননা তাখি। আর কে সুহিরসনা অমসুং কে পোইরৈখোমনা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা তাখি। বেষ্ট ভেটরান প্লেয়রনা বিট ইরোম অমসুং এম দোরেন্দ্রোনা তাখি। অন্দর-১৪ বোইজগীদা লেম্বা শৌগাইজমনা অহানবা অদুগা থৌনাওজম দুপাচন্দ্রনা অনীশুবা তাখি। অন্দর-১৫ গর্লসকীদনা নিস্থা পোৎশংবমনা অহানবা অদুগা নদিয়া শৌগাইজমনা অনীশুবা তাখি। কাংবা চেছ একাদেমিগী বেষ্ট প্লেয়রনা লৈমপোকপম জেটলি, লনচেনবা ঙাইরাংবম অমসুং নোংথাংফাবা সোরামনা তাখি।

এল এস কে ৱাঙ্গোই সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): হিয়াংলম এন্দ ৱাবগাই কাংখূৎ (হোক) অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকাই য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱালিদা)না শীন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা চথরিবা অহানবা লেট চবুংবম অমুতোম্বী এন্দ লেট এলাংবম মোতিলাল নীংশিং কুমওন ষ্টেট লেভেল কেন্দ্রৱাইজ ওপন লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এল এস কে ৱাঙ্গোইনা কে কে সী ও মায়থীবা পীরম্লগা সেমীফাইনেল চঙখ্রে। সেমীফাইনেলদা এল এস কেনা ক্লাসাগা লন্বা তৌনগনি।

[illegible]

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯲ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী জুন ৭তগী হৌরগা ১০ ফাওবা ন্যু দেল্লীগী রোহিনি সেক্টরদা লৈবা জেন ভার্তি পব্লিক স্কুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল সব-জুনিয়র এন্দ জুনিয়র পাৱরলিফটিং (নুপা অমসুং নুপী) অন-ইক্বিপ চেম্পিয়নশিপ এন্দ নেসনল বেঞ্চপ্রেস (নুপা অমসুং নুপী) অন-ইক্বিপ (চহী কাঙলূপ খূদিংমক্কী) চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়না পাৱরলিফটিং এসোসিএসন মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খনখ্রবা নুপা শান্নরোয়শিংদি সব-জুনিয়রগীদা অতিয়া থিংনাম, জুনিয়রগীদা ৱাহেংবম থানিল, সিনিয়রগীদা কোঞ্জেংবম সুশিলচন্দ্র, রিক্কি খাগেন্বম, নামৈরাকপম রোবর্ট, রিশিকেশ্বর নিংথৌজম, নিসন ফিদাম, খুন্দ্রাকপম জয়চন্দ্র, দিঙ্কু ৱাহেংবম, হাওবিজম নোরজিৎ, উমাকান্ত মোইরাংথেম, ৱাংখেম উরুন, মাইবম জোন্সন, লৌরাংবম জিনোদ, য়ুম্নাম পাইখোম্বা মৈতৈ, বিয়াস লাইশ্রম, জেমস থোকচোম, হুইদ্রোম ইরাবন্ত, টি ঐচ প্রেমোজিৎনি।

সিনিয়র/মাষ্টরগীদা খল্লবশিংনা নিংথৌজম হিটলর অদুগা মাষ্টর টুগীদা ঙাঙোম কুঞ্জবিহারিনি।

নুপী কাঙলূপ্তা খনখ্রবা শান্নরোয়শিংনা সিনিয়রগীদা কে ঐচ অঞ্জলি, টি ঐচ বিদ্যারানী, সী ঐচ ববিকা, সাপম অনিতা, ঐচ দয়ারানী, লৈমপোকপম চেরিশমা, কে ঐচ সুনিতিবালা, এন স্বিতি অমসুং ও কলপনানি। টিম কোচ ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনা টি ঐচ প্রেমোজিৎ অদুগা টিম মেনেজরনা ঙাঙোম কুঞ্জবিহারিনি হায়রি।

এম এফ সী (বি) সাপমনা ৱিন্নর ওইখ্রে

থৌবাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): কোমজাও য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (কে ৱাই দি সী) সাপমনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী হৌরগা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরকখিবা অনীরকশুবা অন্দর-১৫ সিক্স মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম এফ সী (বি)না এম এফ সী (এ)বু মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এম এফ সী (বি)গী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়নননা এম এফ সী (এ)বু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নরগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। ৱিন্নর ওইখ্রবা এম এফ সী (বি)দা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৫ অদুগা রন্নর্স অপ তাহৌরবা এম এফ সী (এ)দা শেল ওইনা লুপা ২৫০০ পীদুনা শান্নরোয়শিংগী পূক্নিং থৌগৎখি। শান্নরোয়শিংগী বেষ্ট প্লেয়রনা থোংবম বোসনা তাখি। অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা এম এফ সী (এ)না তাখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুদা ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৪গী হান্নগী কাউন্সিল্লর থোকচোম অমিতাবনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অমিতাবনা শান্ন-খোৎনবনা খুন্নাইদা পীরিবা কান্নবা কয়াগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লমখিবগা লোয়নননা কে ৱাই দি সীনা ফুটবোল শান্নবা পান্বা চহী নৌরিবা অঙাংশিং শেমগৎপগী খোঙথাং অমা পায়খৎলক্লিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি অমদি চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনদুনা তুংদা মায় পাকপা শান্নরোয় ওইনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়নননা ক্লব অদুগী ফন্দ ওইনবা হায়দুনা অমিতাবনা লুপা লিশিং ৩ ক্লবকী থৌমীশিংদা মতেং পাংলমখি।

[illegible]

ꯅ꯭ꯌꯨ ꯗꯦꯜꯂꯤ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯲ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): [illegible]

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

কুকিনা নোক্ননিকো
(৫১১)

চহী ২৫গী মমাংদগী খৎনবা হৌরিবা কুকিনা থা ১১ শুরবা লান অসি লোইশিনবা ঙল্লোই। লান লোইশিনবদি সেন্ট্রেল গৱর্ণমেন্টকী মখূৎতা লৈ। অদুবু লোইশিনবগী মহুৎতা ইলেক্সন তৌখ্রে। হৌজিকসু কুকিনা নোংমৈ কাপ্লকখিনি। ইলেক্সনদা ঐখোয় মশেল মচেৎ-মচেৎ তাহনবদি পামদে। পেন্দবা য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোক্নরক্লি। শাওনরকপদগী খৎন-চৈনবা থোক্লক্তুনা শোকপা ফাওবা য়াওরে। অদুবু হায়জনিংবদি হন্দক্কী কেন্দিদেট খূদিংমক মতিক চাখি। কাগদবদি অমখক্তনি। কুকিগী লাল্লোং খঙবীরগা কেন্দিদেট ৬না ৱাখল মুন্না খন্থফম থোকই। মণিপুর কনবা লূপ মীতৈনা কন্দ্রদি কনাসু থোক্লক্লোই। থৱায় থাখিবা, রিলিফ কেম্পকী অৱা-মৈশা মরক্তা ইমা মণিপুরদি পিরাং লেপ্পা লৈতনা চেন্থরি, ঙকশম য়ৌরে হায়বদুনি। অমুক্তদি কল্লসি। মায়কৈ খূদিং য়েক্লবনা কোয়শিল্লি। পূনবদা ৱানা থোক্লিবা ঐখোয় মীতৈ, ইলেক্সননা মচেৎ-মচেৎ অমুক তাহনখ্রে। তশেংনা হায়নরি ইমা মণিপুর নুংশিবীরবদি কেন্দিদেটশিংনা মীয়ামবু থেন্বীদুনা অমুক্তা পূলহনবীয়ু। মীতৈ ফূরুপপু মুখৎনবা হোৎনরিবা কুকিবু মায়থীবা পীরসি। মীতৈ খূদিংমক্কী পান্দম মান্নে, ৱাখল মান্নে, ঈগী লমন ঈনা শিংলসি। ইমা লৈবাক্কীদমক ঐখোয় পূন্না লেপমিন্নরসি। ঙরাং নহান্তা কুকিনা কাইহৌরকপা, মীতৈ কয়া মাঙখিবা, য়ূম লিশিং কয়া মৈ থাবা, রেপ তৌরগা হাৎপা অমদি মখোয়না পুথোকপা দ্রগনা কয়া হাৎখ্রে। ইনি দয়ানা তল য়েল্লগা তাৎ তৌরগা লৈথোকপা, চীংদনা ফ্রী থাদোকপা অদুগা তমদনা করিসু তৌবা য়াহন্দবা মসি লাইবক থীবনি। মীয়াম্না ইমা মণিপুরবু নুংশিবীয়ু। লানখিবা শোয়খিবা শেমদোক্নরগা পূন্দবদি য়াদে। মপী-মপা লৈরক্ত্রে। মীদিয়ানা অৱাবগী মথক্তা ৱারসু ৱানা তৌবীবগী মথক্তা মীতৈ পূন্নবগী মপী-মপা ওইবীয়ু হায়জরি। গৱর্ণমেন্টতা ৱাফম অমত্তা হায়জগে ওগষ্ট-ওক্টোবরদা মরূ হুনবা, লোকপনা মার্চ-মেদা খূদিংমক রিপোর্টতা লৈবনি। ৱার ওন দ্রগ হৌরসি। কুকিদা লান লাউথোকপীরো। থৱায় কৎলসু কৎলগে চীংদা থাবীরো। হান্নগুম য়েংদুনা লৈবা য়ারক্ত্রে। লন্বীদা মখোয়না তৌনিংবতা তৌবা, কাংপোকপীদা ওফিস মৈ থাবা, শেল পীয়ু হায়দুনা কিহনবা ঙসি ফাওবা খাঙদুনা লৈরকপনি। হৌজিক্তি মতম হেনখ্রে। গৱর্ণমেন্টনা ওর্দর অমা থোক্তুনা লান চথহল্লো, শিরসু তুংগীদমক খল্লগা শিগে, তুংগী মীরোল কল্লমগে।

অদোমগী - লৈবাকমচা খুমনচা,
খুরাই অঙোম লৈকাই, # ৮৭৯৪১৮২৯১৪